# অমিত সাহনা এন আর সি গী মতাংদা মমতা বেনর্জী অমসুং রাহুল গান্ধী মরু ফংনা চৈখ্রে



***কোলকতা, আগষ্ট ১১ ঃ***
কোলকতাদা অচৌবা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখিবা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা অসামদা হন্দক ফোঙখিবা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) গী ফাইনেল ড্রাফ্ট অদুগী মায়োক্তা লৈবগীদমক ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জী অমসুং কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী মথক্তা মরু ফংনা চৈখ্রে অমসুং মখোয়গী মফমদা লৈবাক্কী ৱাফমনা হেন্না লুব্রা নৎত্রগা ভোট-বেঙ্কনা হেন্না লুব্রা হায়বদু লুচিংবী অনী অসিনা শোয়দনমক শেংদোক্কদবনি হায়খ্রে।

ময়াই থংবা কোলকতাগী মায়ো রোদতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অদুগীদমক বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা কোলকতাগী নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস ইন্টির্নেস্নেল এয়ারপোর্টতগী থোক্লকপদা এয়ারপোর্ট অদুগী মপানদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কংগ্রেস ৱার্করশিংনা ঙসি অমুবা ফিরালশিং পায়বগা লোয়ননা অমিত সাহ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা খোল্লাওশিং লাওশিনখি। অদুবু কংগ্রেস ৱার্করশিং অদু পুলিসনা মফম অদুদগী তকথোকখি।

চৈরকসিদা কংগ্রেস এক্টিভিষ্ট খরনা বি জে পি গা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লৈঙাক পায়রিবা ট্রিনামুল কংগ্রেসকগী মরক্তা অরোনবা মরী অমা লৈনৈ হায়দুনা 'মোদি-দিদি ভাই ভাই' হায়বা খোল্লাওশিংসু লাওখি।

কোলকতাগী মায়ো রোদতা অমিত সাহগী মীফম অদু হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা অসামদা ফোঙখিবা এন আর সি ড্রাফ্ট অদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মফম কয়াদা ট্রিনামুল কংগ্রেসকী মীওইশিং কন্দেমনেসন দে পাঙথোকখি।

ট্রিনামুল কংগ্রেসকী প্রোটেষ্ট অদুগী পাউখুম পীরদুনা বি জে পি গী লুচিংবা অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বাবুল সুপ্রিয়োনা বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জী অমসুং মহাক্কী পার্টিবু ষ্টেট অসিগী কলচর অমসুং বেঙ্গলগী নহারোলশিংগী তুংগী আশা মাঙহনবগীদমক মরাল শীখি।

পোলিটিক্স হায়বসি অফবনি। অদুবু মখোয়না মসিবু মশক থিবা অমা ওইনা ওন্থোকখ্রে। চহী ৩৪ গী লেফ্টকী লৈঙাক অদুদগী পোরিবোর্তোন হায়বদি অহোংবা হায়বসিগী মিংদা বেঙ্গলগী ফিভম অসি ট্রিনামুলনা অমুক্কা হেন্না শাথিনা শেকচিনহনখ্রে হায়না বাবুল সুপ্রিয়োনা হায়খি।

মখোয়না মসি মখা তানা তৌরোইদবনি। ঙসিগী মীফম অসিদা মীয়ান্না পাক্তক্লনা থোক্লক্তুনা শরুক য়ারিবা অসিনা বেঙ্গলগী নহারোলশিংনা অমিত সাহজিগী পাউজেল অদুগীদমক খৌরাংনা ঙাইরি হায়বসি উৎলি হায়না ঙসিগী মীফম শরুক য়ানবা সিটি অসিদা লাকখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সুপ্রিয়োনা হায়খি।

মীওই লীশিং কয়া তিনখিবা অচৌবা মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা হৌজিক কংগ্রেস পার্টিনা য়াদ্রিবা এন আর সি অসি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীনা সহি তৌখিবা অসাম এক্কোর্দনা তৌহল্লকখিবনি হায়খি। মতম অদুদদি কংগ্রেস পার্টিনা এন আর সি গী মতাংদা করিমত্তা য়ানিংদবা লৈখিদবনি হায়খি।

ভোট- বেঙ্ক পোলিটিক্সকীদমক রাহুল গান্ধীনা বাংলাদেশতগী আইনগী ৱাংমদা চঙশিল্লক্লিবা মাইগ্রেন্টশিংগী মতাংদা ময়েক শেংবা ফিরেপ লৌদে হায়না অমিত সাহনা মরাল শীখি।

অমিত সাহনা মখা তারদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীবু মহাক্কী শুমাঙমক্তদা বাংলাদেশতগী চঙশিল্লকপশিংবু লোয়ননা করপসনবু পূক্নীং থৌগৎপগীদমক ট্রিনামুল কংগ্রেসপু মরাল শীখি।

মীয়াম পাক শন্না শরুক য়াখিবা কোলকতাগী মীফম অদুদা বি জে পি গী লুচিংবা মকোক অসিনা বেঙ্গলদগী ট্রিনামুল কংগ্রেস গভর্ণমেন্ট মরু ফুক্তংশি হায়বা খোল্লাও লাওরগা ৱা ঙাংবা হৌখি অমসুং মদু তৌনবগীদমক ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্তা মহাক্না চৎকনি হায়খি।

রাহুল গান্ধী অমসুং মমতা বেনর্জীনা মখোয়গীদমক নেস্নেল সেক্যুরিটিনা মরু ওইব্রা নৎত্রগা ভোট-বেঙ্কনা হেন্না মরু ওইব্রা হায়বদু শেংদোক্কদবনি। বি জে পি গী দমক্তি লৈবাক্কী থবক্না অহানবা ওইগনি হায়না অমিত সাহনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, বেঙ্গলগী মীয়ামদা কংগ্রেসতা, কম্ম্যুনিষ্টতা অমসুং ট্রিনামুল কংগ্রেসতা তাঞ্জা অমমম পীখ্রে অদুবু মখোয়না চাওখৎপা পুরকপা ঙমখিদ্রে। মরম অদুনা নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা বি জে পি দা তাঞ্জা অমত্তং পীয়ু, ঐখোয়না ষ্টেট অসিদা চাওখৎপা পুরক্কনি। বেঙ্গলদা বি জে পি না পৱার পায়রক্ত্রি ফাওবা ঐখোয়গী মায় পাকপগী রথ অদু চেনবা লেপ্লোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# য়ু এস না পাকিষ্টানদা মিলিটরি ত্রেনিং তৌবা তোকখ্রে



***ইস্লামাবাদ, আগষ্ট ১১ ঃ***
য়ু এস কী দোনাল্ড ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না পাকিষ্টানগী পার্সোন্নেলবু য়ু এস ইন্সটিট্যুসনশিংদা চহী ১০ রোম শাংনা মিলিটরি ত্রেনিং প্রোগ্রাম চথরম্বা অদু তোকখ্রে হায়না ঙসি মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রসিয়াগী দিফেন্স সেন্টরশিংদা পাকিষ্টানগী ট্রুপশিংবু ত্রেনিং ফংহনবা য়ানবা ইস্লামাবাদ অমসুং মোস্কোনা এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌনখিবগী নুমীৎ খরনিদগী তুংদা য়ু এস কী খোঙথাং অদু লৌখৎলকখিবনি।

পাকিষ্টান অমসুং রসিয়ানা রৱালপিন্দিদা মখোয়গী অহানবা জোইন্ট মিলিটরি কন্সল্টেটিভ কম্মিটি (জে এন সি সি) মীফমদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অনীগী এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌনখি।

কম্মিটিগী মীফম অদুদা নাকল অনীনা হৌজিক লৈরিবা দিফেন্সকী মরীশিং খন্ন-নৈনখি অমসুং রসিয়াগী মিলিটরি ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিংদা পাকিষ্টানগী ট্রুপশিং ত্রেনিং তৌহন্নবা য়ানখি।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইস্লামাবাদপু ৱাসিংতনদা মিনম্বশিং নত্তনা করিগুম্বা অমত্তা পীদবা অমসুং টেরোরিষ্টশিংগী নুংঙাইবা লৈফম পীবগীদমক মরাল শীরকখিবা মতূংদগী চহী অসিগী জনুৱারী থাদা পাকিষ্টানগা য়ু এস কা লৈনবা মরী শাথিনা নেমথখি।

য়ু এস কংগ্রেসনসু পাকিষ্টানদা পীরম্বা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৫০ গী তেংবাঙ অদু চহীদা দোল্লর বিল্লিয়ন ১ দা শাথিনা ককথখি। পাকিষ্টানি মিলিটরি ওফিসারশিং ত্রেনিং পীনবা ফন্দ অদু য়ু এস গভর্ণমেন্টকী ইন্টর্নেস্নেল মিলিটরি এদুকেসন এন্দ ত্রেনিং প্রোগ্রামদগী লাকপনি। অদুবু মথং একাদমিক ইয়ারদগীদি পাকিষ্টানগী ফন্দ অমত্তা হাপখিদ্রে হায়না পাউচে অদুনা হায়খি।

ৱাসিংতনদা লৈবা য়ু এস নেস্নেল দিফেন্স য়ুনিভর্সিটিদা চহী ১০ গী মতমদগী হেন্না পাকিষ্টানগী ওসারশিংগীদমক সিট রিজার্ব তৌরম্বনি। অদুবু হৌজিক য়ুনিভর্সিটি অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রগদবা পাকিষ্টানগী ওফিসারশিং অদুগী হাংহৌগদৌরিবা মফম অদু মথং চহীগীদমক অতোপ্পা লৈবাক্কী ওফিসারশিংনা মেনশিনহন্নবা য়ুনিভর্সিটি অদুনা খঙহল্লকখ্রে। খোঙথাং অসিমক্না পাকিষ্টানগী পার্সোন্নেল ত্রেনিং পীবা তোক্লে হায়বদু শেংনা তাক্লে।

হান্নগী পাকিষ্টানগী আর্মি চীফ জেনরেল অশফক পরভেজ কয়ানি অমসুং ইন্টর-সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্সকী হৌজিক দাইরেক্তর জেনরেল ওইরিবা লেপ্টিনেল জেনরেল নবীদ মুখতারনচিংবা ওফিসার কয়া য়ু এস মিলিটরি ইন্সটিট্যুসনশিংদা ত্রেনিং ফংলকখিবনি।

য়ু এস না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা পাকিষ্টান ওফিসিয়েলদগী হৌজিক ফাওবা পাউখুম পীরকপা লৈত্রি। হৌখিবা চহী খরদগী রসিয়াগা লৈনবা পাকিষ্টানগী দিফেন্সকী মরীশিং মতম অমগী কোল্ড ৱারগী য়েংথিনবা ফিভম অদু হেন্দোকখ্রে অমসুং পাকিষ্টানগা য়ু এস কা লৈনবা মরী ফৎলকখিদবদগী লৈবাক অসিবু রসিয়া অমসুং চিনারোমদা হেন্নদুম ইনশিল্লকখ্রে। পাকিষ্টান্নসু রসিয়াগা মিলিটরিগা মিলিটরিগগী লেভেলদা মরী লৈনবগী অপাম্বা উৎখ্রে।

হান্নগী চহী অসিদা মতমদুগী পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর গৱাজা অসিফনা মোস্কোদা চৎখি অমসুং মিলিটরিগী তেংবাঙনবা হেনগৎহন্নবা কম্মিসন অমা শেন্নবা নাকল অনীনা য়ান্নরকখি।

হৌখিবা চহী ৩ দা রসিয়ানা পাকিষ্টানদা এম আই-৩৫ এম কম্বেট হেলিকোপ্টর ৪ অমসুং কার্গো হেলিকোপ্টরশিং পীরকখ্রে।

লৈবাক অনীগী মিলিটরিশিং ফ্রেন্দসিপ কৌবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিংসু পাঙথোকখ্রে।

# মী ৯ পুখিবা প্লেন মাঙখ্রে

***জয়াপুরা, আগষ্ট ১১ ঃ***
ক্রু মেম্বর অনী অমসুং অঙাং অমা য়াওনা পেসেঞ্জর তরেৎ পুখিবা অপীকপা প্লেন অমা নোংপোক থংবা ইন্দোনেসিয়াগী চীংগী লমদমদা পাইখিবা অতেনবা ফ্লাইট অমদা মাঙখ্রে। প্লেন অদু থিবা-হুম্বা অমসুং রেস্ক্যু মিসন অমা চথখ্রে হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

মনুং হুনজিনবা পাপুৱা প্রেভিন্সতা শুপ্নগী মিনিট ৪০ রোমগী ফ্লাইট ওইগদবা খোঙচৎ অদুদা স্বইটজর্লেন্দনা শাবা পিলাতস প্লেন অদু এয়ার ট্রাফিক কন্ত্রোলগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদে হায়না পুলিসনা হায়খি।

প্লেন অদুদগী অহৌবা মখোল অমা তাখি অমসুং মদুগী মতূংদা চাওনা পোকখাইখি হায়না ওকাতেমগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখি হায়না বিনতাং রিজেন্সি পুলিস চীফ মাকেল মুক্লাননা হায়খি।

ছর্স এন্দ রেস্ক্যু টিমশিং থাজিনখ্রে অদুবু ক্রাস তৌখি হায়না চিংনরিবা মফম অদু য়ৌনা খোঙনা চৎপদা পূং ৩ লোম চঙগনি। প্লেন অদু পাপুৱা মনুং অমসুং মপানগী অকোয়বদা চার্টর ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌবা প্রাইভেট কম্পনি অমা ওইরিবা দিমোনিম এয়ারগীনি।

পাপুৱা হায়রিবা মফম অসি য়ৌনবা চৎপদা খুদোংথিবা মফম অমনি। ইন্দোনেসিয়াদা হৌখিবা চহী খরদগী প্লেন ক্রাসকী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। হৌখিবা চহীগী জুলাইদা পাপুৱা প্রোভিন্স অসিমক্তদা ৱামেনা মনাক্তা অপীকপা প্লেন অমা ক্রাস তৌবদা মীওই ৫ শিখি। আগষ্ট ২০১৫ দা পাপুৱাদা প্লেন অমা ক্রাস তৌবদা তোংখিবা মীওই ৫৪ লোয়নমক শিখি।

# তালিবান অমসুং কাবুল গভর্ণমেন্ট অনীমক্না ঘজনি সিটি মখোয়গী মখূৎ চল্লে হায়না ফোঙদোক্লরি

***কাবুল, আগষ্ট ১১ ঃ***
তালিবানগী লানহৌবশিংনা আফগনিষ্টানগী নোংপোক থংবা ঘজনি প্রোভিন্সকী কোনুং ঘজনি সিটিদা থোমজিল্লক্তুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখ্রবগী তুংদা সিটি অদু মখোয় মখোয়গী খূত্তা লৈরে হায়না তালিবান অমসুং কাবুল গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অনীমক্না ফোঙদোক্লখ্রে।

মী লৈনবা য়ূমশিংদা ফিভম শেমদুনা লৈবা তালিবান ফাইটরশিং থিনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শেংদোকপগী ওপরেসন চথরি হায়না কাবুলদা ওথোরিটিজনা হায়খিবগা লোয়ননা ঙরাং ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা ঘজনি সিটি মখোয়গী খূত্তা লৈরে হায়না আফগান ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

ঘজনি এম পি শাহ গুল রেজায়েগী মতূং ইন্না তালিবাননা টেলিকম্যুনিকেসন তৱার থুগাইখিবদগী সিটি অদুদা পৱার অমসুং মোবাইল সার্ভিসশিং ককথৎখ্রবনা সিটি অদু হৌজিক কনাগী খূত্তা লৈবগে হায়বদু ঈ-পাউ খঙনবা অরুবা ওইরি হায়রি।

অমরোমদা তালিবাননসু আফগান ফোর্সশিং মমু য়ৈথৎতুনা ঘজনি সিটি অদু মখোয়গী ফাইটরশিংগী মখূৎতা লৈরে হায়খি।

ঙরাং নুমিদাং ঐখোয়গী মুজাহিদীননা আফগান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী খূৎলাইশিং, নোংমৈ মরুশিং অমসুং পিক-অপ ট্রক ৪ ফংবগা লোয়ননা বাতালিয়ন অমা মপূং ফানা জয় তৌরকখ্রে হায়না ঙসি পাউমীশিংদা থাবা পাউ অমদা তালিবানগী ৱাঙাংলোই জবিহুল্লাহ মুজাহিদনা হায়খি।

তালিবাননা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট অমদসু এটেক চথনবগী অকিবা পীরকখিবনা হৌজিক আফগান গভর্ণমেন্টকী মথক্তা অরুম্বা শাফু অমা ফংখ্রে।

তালিবান লানহৌবশিংনা নোংপোক থংবা সিটি ঘজনিদা হান্নদগী হৌনা চঙশিনখ্রে হায়বা পাউশিং লৈবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী কোনুং কাবুলদগী লৈখা লম্বীদা চৎপদা পূং ২ ফাবাৎতবা ঘজনি সিটি থা কয়াদগী হৌনা তালিবান ফাইটরশিং পৈশিল্লকখিবদগী অকিবা হেনগৎখ্রবনি হায়রি।

# মী ৪০০ রোম শিখিবা য়ুহার হাবনা লোম্বোকপু ইঞ্চি ১০ ৱাংনা ইনখৎলকখ্রে ঃ *সাইন্টিষ্টশিং*

***তঞ্জুং (ইন্দোনেসিয়া), আগষ্ট ১১ঃ***
মীওই ৪০০ রোম শিখিবা অকনবা ইন্দোনেসিয়াগী য়ুহার হাবা থোকখিবা ঈথৎ অদু সেন্টিমিটর ২৫ (ইঞ্চি ১০) ৱাংনা ইনখৎলকখ্রে হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নীংখাইরবা অতেক-অকায় মরক্তা মখা তানা থিবা হুম্বা চথবদা ফংখিবা হকচাংশিং অমসুং মরী-মতাশিংনা হান্ননা লৈরোন চনখ্রবা মীওইশিংগী মশীং থারগা মেগ্নিচ্যুদ ৭.০ গী য়ুহার হাবা অদুদা হান্না শিখি হায়না পারম্বা মশীং ৩২১ দগী হৌজিক ৩৮৭ য়ৌরে হায়না ঙসি থাংজ নুমিত্তা নেস্নেল দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

আগষ্ট ৫ দা য়ুহার হাবা অদু থোকখিবগী মতূংদা নাসাগী অমসুং কালিফোর্নিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী সাইন্টিষ্টশিংনা লোম্বোকক্কী সেটিলাইট ইমেজশিং শীজিন্নদুনা য়েংশিনবদা ঈথৎ অদুগী লৈমায়দা অহোংবা কয়া লৈবা উখি। য়ুহার হাবগী ইপিসেন্টর মনাক্তা ঈথৎ অদুগী অৱাং নোংচুপ্তা লৈবাক অদু মিটর অমগী মশুং অমা হেন্না ৱাংনা ইনখৎলকপা থেংনখি। অতৈ মফমশিংদনা ইঞ্চি ২ দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা নেমথবা উখি।

অকনবা য়ুহার হাবা অদুনা লোম্বোক ঈথৎতা য়ূম ৬৮,০০০ রোম শোকহনখি অমসুং মাঙ-তাকহনখি। ফিভম অদুদগী ঈথৎ অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ১০ রোম হায়বদি মীওই লাক্ষ ৩ লীশিং ৯০ রোম হৌজিক ময়ূম মকৈ লৈত্রে নৎত্রগা ময়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

# শাগৎলিবা ফ্লাইওভর অমা নীংখাইরকখ্রে

***লক্ষনৌ, আগষ্ট ১১ ঃ***
উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষনৌদগী কিলোমিটর ২০৫ রোম লাপ্নদা বষ্টি দিষ্ট্রিক্টতা নেস্নেল হায়ৱে নম্বর ২৮ দা শাগৎলিবা ফ্লাইওভর অমগী শরুক অমা ঙসি থাংজগী অয়ুক অঙনবদা নীংখাইরকপদা শিন্মী অমা শোকখ্রে। মহাক মফমদুদগী হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়েংখ্রে।

হৌখিবা চয়োল অনীরোম মফম অদুদা নোং লেপ্তনা চুরকখি। ফ্লাইওভর অদুবু শৌগৎলিবা য়োৎকী বিমশিং অদু লৈবাক মনুংদা কুৎথখিবদগী ফ্লাইওভর অদু নীংখাইরকখিবনি হায়না উহৌবা মীওইশিংনা হায়খি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা হায়ৱে অদুদা লম্বী চথোক-চৎশিন অকায়বা থোকহন্দনবা অতেক-অকায়শিং অদু শেংদোক্লবা মফমদুগী ওথোরিটিজদা পাউতাক পীখ্রে।

থবক অদু হকথেংননা খঙবা মীওইশিংনা ফোঙদোকপদা রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্ট্রিনা হকথেংননা নেকপা কন্ত্রেক্তরশিংনা ফ্লাইওভর অদুগী শরুক অদু শাগৎলকখিবনি। হৌজিক শাগৎপগী থবক্কী চাদা ৬০ মপূং ফানা লোইশিল্লবনি হায়খি। হৌখিবা চয়োলদা আগ্রা-লক্ষনৌ এক্সপ্রেস ৱেগী লম্বী অমদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ৪ য়াওবা কার অমা লৈনুংদা পুখখি।

# ছতিসগরগী চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা ষ্টেট অসিদা শিন্মী লাক্ষ ১০ পীজনবা তিফিন য়োজনা হৌদোকখ্রে



***রাইপুর, আগষ্ট ১১ ঃ***
ছতিসগরগী চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা ঙরাং এম এন আর ই জি এ মজদূর তিফিন য়োজনা হৌদোকখ্রে। তিফিন য়োজনা হায়রিবা স্কিম অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিদা থবক শূবা শিন্মীশিংদা হকচাং ফবা চিঞ্জাক পীগনি।

মজদূর তিফিন য়োজনা অদু হৌদোক্লদুনা ৱা ঙাংবদা চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা স্কিম অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিগী শিন্মীশিংদা হকচাং ফবা চিঞ্জাক পীগনি হায়খি।

অহানবগী ওইনা স্কিম অসিগী মখাদা থবক শূবা শিন্মী লাক্ষ ১০ হেনবনা কান্নবা ফংগনি। গভর্ণমেন্টনা শিন্মীশিংগীদমক কান্নবা স্কিম কয়ামুক পায়খৎকনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা শিন্মীশিংগী কান্নগদবা স্কিমশিং অদুগী মনুংদা তিফিন য়োজনা হায়রিবা অসিসু অমনি। স্কিম অসি মহাত্মা গান্ধী গ্রামিন রোজগার গেরেন্টি য়োজনাগী মখাদনি। মসিনা থা ১ দা থবক শূবা শিন্মী ১০,৮০,০০০ দা তিফিনশিং পিগনি হায়খি।

তিফিন য়োজনা হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা হায়খি, ঐগী গভর্ণমেন্ট অসিগী পান্দমদি লায়রবা শোখবা মীওইশিংগী পুন্সি ফগৎহনবনি। খুঞ্জাশিংগী হিংলিবা পুন্সি মরেন অসি হেন্না ফগৎহন্নবা থবকশিং লৌখৎলি।

থৌরম অদুদা থবক শূবা শিন্মী খরদা চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা তিফিন বোক্সশিং য়েন্থোকখি।

# হরিয়ানাগী এক্সিদেন্টতা শিখিবা মীওইগী ইমুংদা লুপা ক্রোর ১.২২ কম্পেন্সেসন পীনবা খঙহনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১১ ঃ***
মোটোর এক্সিদেন্ট ক্লেমস ট্রিব্যুনেল (এম এ সি টি) না কুমজা ২০১৪ দা হরিয়ানাদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা শিখিবা ব্যুজিনেসমেন অমগী খ্বাইদগী নক্লবা মীওই অমদা লুপা ক্রোর ১.২২ হেনবগী শেনফম কম্পেন্সেসন পীনবা খঙহনখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুবু তকখিবা গারী অদুগী ইন্স্যুরর ওইরিবা ইফকো তোকিও জেনরেল ইন্স্যুরেন্স কো লিমিটেদতা কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা ৮৯,০৫,০০০ অমসুং ইন্টরেষ্ট ওইনা লুপা ৩৩,৩৯,৩৭৪, পুন্না লুপা ১,২২,৪৪,৩৭৪ লৈখিদ্রবা অদুগী ইমুংদা পীনবা এম এ সি টি প্রিসাইদিং ওফিসার অমিত বন্সালনা খঙহনখি।

মহাক্কী ফেক্তরিশিং অমদগী ময়ূমদা হল্লকপদা জনুৱারী ৫, ২০১৪ দা গারী এক্সিদেন্টদা শিখিবা অৱাং দিল্লিগী রাজেশ জেনগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন অদু পীনবা ট্রিব্যুনেল অদুনা ৱায়েল তাখিবনি। লৈখিদ্রবা রাজেশ জেনগী লোয়নবীনা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতূং ইন্না হরিয়ানাগী সামালখাদা থৌশাদবা মওংদা অফিং-অফাই ওইনা থোক্লকপা ট্রক অমনা তুংলোমদগী মাগী কারদা থোমজিল্লকখিবনি হায়খি।

মোটোর এক্সিদেন্ট ক্লেমস ট্রিব্যুনেল অদুদা এক্সিদেন্ট অসিগী অচুম অরান ৱায়েল চথরকপদা নাকল অনীগী মরক্তা খন্নখিবা অমসুং হৌজিক ফাওবগী রেকোর্দতা থন্নিবা মচাক অমসুং ইভিদেন্স অসি য়েংলগা লৈখিদ্রবা জেনগী ইমুং মনুং হায়বদি পটিস্নরশিং অসিনা ওইথোক্লিংঙাই ওইবশিংগী য়ূম্ফমদা প্রমাণ পীবা ঙম্লে মদুদি মথক্তা পল্লিবা নুমিৎ, মতম অমসুং মফম অদুদা ট্রক ড্রাইভর অদুনা থৌশাদনা অমসুং অফিং-অফাই ওইনা থৌরকপা মরমদগী লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়বা খঙলে হায়না ট্রিব্যুনেল অদুনা হায়খি।

কম্পেন্সেসন অদু পীখিনবা ৱায়েল তারদুনা ট্রিব্যুনেল অদুনা মশাগী চহী ৪৬ শুখ্রবা লৈখিদ্রবা রাজেশ জেনগী লোয়নবী, মচানুপা অনী অমসুং মহাক্কী মমা-মপাশিং লৈরি হায়বা ৱাফম নীংশিংখি।

মরাল লৈবা ট্রক ড্রাইভর অদু ভেলিদ ড্রাইভিং লাইসেন্স অমা পায়রিবা অদুগী খল্লগা কম্পেন্সেসনগী শেনফম অদু পীনবা ইন্স্যুরেন্স কম্পনি অদুদা ট্রিব্যুনেল অদুনা খঙহনখি।

# আগষ্ট ১৫ দা স্পিকরনা জাতিগী ফিরান চিংখৎকনি হায়বগী মায়োক্তা গোৱা কংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

***পানাজি, আগষ্ট ১১ ঃ***
লৈবাক অসিগী নীংতম্বা নুমিৎ-আগষ্ট ১৫ দা গোৱা ষ্টেটকী লেজিসলেটিভ এসেমব্লি স্পিকর প্রমো সৱন্টতনা মচু অহুমগী জাতিগী ফিরান চিংখৎকনি হায়বগী মায়োক্তা গোৱা কংগ্রেসনা ঙরাং য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকার মশা লৈতবা মরমনা ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিত্তা এসেমব্লি স্পিকরনা জাতিগী ফিরাল চিংখৎকনি হায়রিবদু কনভেন্স অমসুং প্রোটোকোন থুগাইবনি হায়না গোৱা কংগ্রেসনা হায়খি।

গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকার পেনক্রিজকী অনাবা অমগীদমক মেদিকেল চেক-অপ তৌরুনবা ঙরাং ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পাইখ্রে অমসুং আগষ্ট ১৭ তা গোৱাদা অমুক হল্লক্লুবগী মতম লেপ্লি।



চীফ মিনিষ্টর মশা লৈতবনা ষ্টেট এসেমব্লিগী স্পিকরনা জাতিগী ফিরাল অদু চিংখৎকনি হায়না ঙরাং চীফ মিনিষ্টর'স ওফিসকী সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা অরেপ্পা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

গোৱা প্রদেস কংগ্রেস কম্মিটিগী ৱাঙাংলোই সঙ্কল্প অমোঙ্করনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকপদা চৎনবীগী মতূং ইন্না জাতিগী ফিরাল অদু ইন্দিপেন্দেন্স দে দা চীফ মিনিষ্টরনা শোয়দনমক চিংখৎকদবনি হায়খি।

করিগুম্বা চীফ মিনিষ্টর মশা লৈত্রগনা ষ্টেট কেবিনেটতা নম্বর ২ রেঙ্কদা লৈবা মিনিষ্টরনা ফিরাল অদু চিংখৎকদবনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা জাতিগী ফিরাল চিংখৎপগী কনভেন্সন অমসুং প্রোতোকোল অদু থুগাইনবা থৌরাং তৌরে হায়খি।

স্পিরদি মনীংতম্বা কন্সটিট্যুস্নেল পোষ্ট অমনি অমসুং মহাক ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী শরুক নত্তে হায়না কংগ্রেসকী ৱাঙাংলোয় অদুনা হায়খি। অদুবু ৱাফম অসিগী মতাংদা করি মোত লৈ হংনবগীদমক স্পিকর প্রমোদ সৱন্ট মশা ৱারী শান্নবা ফংখিদে।

সনা-সুদোকু -১২৫৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 7 | 9 | 3 | 8 | 6 | 2 | 1 |
| 1 | 9 | 2 | 7 | 5 | 6 | 4 | 8 | 3 |
| 8 | 3 | 6 | 4 | 1 | 2 | 5 | 9 | 7 |
| 2 | 1 | 3 | 5 | 8 | 4 | 9 | 7 | 6 |
| 7 | 8 | 5 | 3 | 6 | 9 | 2 | 1 | 4 |
| 4 | 6 | 9 | 1 | 2 | 7 | 8 | 3 | 5 |
| 9 | 2 | 1 | 6 | 7 | 5 | 3 | 4 | 8 |
| 6 | 7 | 8 | 2 | 4 | 3 | 1 | 5 | 9 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 9 | 1 | 7 | 6 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1258**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 5 | | 4 | | | | |
| | | | 9 | | 5 | | | 8 |
| | | | 1 | | 6 | | | 5 |
| | 1 | 9 | | | 8 | 3 | | |
| | | | | | | | 7 | |
| | | | | | 3 | 5 | | |
| | | 7 | | 5 | 4 | | | |
| | 2 | | 3 | | | | 9 | 1 |
| | | | | | 1 | | 5 | 6 |